# মণিপুরগী মপান্দা চৎলবা মতুং ১৯৮১দদি মেঘালয়া ষ্টেটকী টিম কেপ্তেন ওইনা সন্তোস ত্রোফিদা শরুক য়াবা হৌজরকখি : এল বঙ্কবীহারি



লাইময়ুম বঙ্কবীহারি
(ভেটরান ফুটবোল্লর)



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

(হান্নগী মখা...)

কুমজা ১৯৭৬কী পাটনাদা সন্তোস ত্রোফি শান্নরুরগা হল্লকপা মতুং চহীদুগী লাষ্ট পার্টতা ঐহাকসি অমুক ইন্দিয়া ত্রায়ল কৌরকখি। মদু আফঘানিষ্টানদা শান্নরুগদবা টুর্নামেন্ট অমগীনি। অমরোমদা ইন্দিয়াগী ত্রায়লসি ঐহাক থংন-থংননা অহুস্লক্তি য়াওজরকখি। অদুবু লাষ্টতা হেক্তা খন্দোক্লমখি।

ৱাফমসি ঐহাক লীবদি লীনিংদবনি। অদুবু মতমদুদা তৌখিবা থৌওংশিংদু খল্লুরগদি তশেংনা নুংঙাইখিদে। প্লেয়র সেলেক্সনগী মতাংসিমদি পুরা হাবি জাবি ঙাক্তনি। ত্রায়ল সেলেক্সনগী প্রোগ্রাম মথং মথং চথুরকপসিদা মরু ওইনা সেলেক্টর লাকপা নুমিৎতুদদি ঐহাক শান্ননবগী চান্স শুকফং ফংলক্তে।

হায়রিবা নুমিৎতুদদি অতৈ ষ্টেটকীদি মাগী মাগী এসোসিএসনগী মরু ওইবা মেম্বরশিং লোইনমক লাক্কনি। ঐখোয় মণিপুর খক্তগীনি লাক্তবসি। ঐখোয়গীদি ত্রায়লদা য়াওরে হায়বগী নুংঙাইবা অদুদা অদুম লোইখ্রে। মখা তারকপদদি অদুক হাক্লা য়েংশিন-খোৎচিনবীবসি থোইনা তৌরক্তে। সেলেক্টর কাঙবুদুসু ঐগী মীগী য়াম্না নাই। অদুগা ফাইনেল নুমিৎতা শান্নহন্দ্রবনিনা ঐখোয়গী পর্ফোমেন্সতি লাক্লিবদুনসু উবা নৎত্রে। অদুনা খন্দোক্লম্বদসু লায়না থোক্লে। মদুনি ঐখোয়না থেংনজরকপসি। থৱায় নুংঙাইতনা চাক্লা লৈহৌবা ঙাক্তনি।

ঐনা খ্বাইদগী পেনখিদবা নুংঙাইখিদবা অসিসু কুমজা ১৯৭৬কী আফঘানিষ্টান্দা চৎকনি হায়দুনা পটিয়ালাদা তৌখিবা অদুনি। পঞ্জাবকী ইন্দিয়া টিমগী কেপ্তেন ওইনা চৎখিবা গুরুদেব সিংহ (অর্জুন এৱার্দি) নফাওবা নঙদি শোয়দনা সেলেক্সন ফংগনি হায়রকখিবা লৈখি। মহাকসু দিফেন্স শান্নবা প্লেয়রনি। কর্ণাটাকা মচা, ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা কয়ারক শান্নরুবা অমনসু ঐহাক খন্দ্রে হায়বদা অঙকপা ফোঙদোক্লমখি। ফাইনেল চান্স লোইনমক মাঙখি। পটিয়ালাদা ঐখোয়গী কোচিং পীবিখিবা চীফ কোচ রানা সরনা ঐগী নাক্তা চঙলক্লগা বঙ্ক আই এম সো সোরি, ঐদি করিসু তৌবা ঙমদে। ঐদি নখোয়দা মতেং পাংবখক্তনি।

মথংগী ত্রায়ল লাকপদদি নহাক সার নরুল অমিন্দগী চে ইহল্লগা লাকউ নৎত্রগনা নখোয়গী এসোসিএসনগী মরু ওইবা মেম্বর অমনা রিক্কমেন্দ তৌহনলকউ। হৌজিক তৌনরিবা ট্রেন্দসিদা ইচম চম্না ত্রায়ল য়াওরবদি নহাক কৈদৌনুংদা সেলেক্সন ফংবা ঙম্লোই। অদুগা নঙগী পোজিসনসিদা নঙগা মী অমগা চপ মান্নরবদি সেলেক্সন ফংনবা হোৎনবদা অৱাবসু ওইগনি।

মরম অদুনা ইন্দিয়া ফংগে হায়রবদি নহাক এক্সিলেন্ট পর্ফোমেন্স পীবা ঙম্নবা হোৎনবা তাবনি। অসুমাইনা এন আই এসকী চীফ কোচতুনা তাকপীরকখি। সার রানানা হায়বিরকখিবা ৱাফমশিংদু ঐহাক হৌজিক ফাওবা নীংশিংলি। মতমদুদদি মেদিয়াগী কাঙবুসু কয়া লৈতে। অদুনা কভরেজগী মীয়ামদা ফোঙদোক্লবগী খুদোংচাবসিসু কয়া লৈতে। তুমিন্না খাংবা নত্তনা থোইদোকপা তৌনীংঙাই করিসু লৈবা নত্তে।

মসিগী মখা তারকপা কুমজা ১৯৭৬কী লোইশিল্লকপা মতমদুদা শিলোংগী ইনকম টেক্সকী মী খরা লৌগনি হায়দুনা ওফিসিএল খরা ইম্ফালদা লাকখি। মখোয়না এ এম এস এদা লাক্লগা মখোয়গী ফুটবোল টিম অমা শেমগদৌরি, অফবা ফুটবোল প্লেয়র খরা পীবীয়ু হায়দুনা তক্কুরখি। মদুদগী এ এম এস এনা পুরা শিল্লগা ঐখোয় খরা ইন্টরভিয়ু য়াওননবা খনগৎলকখি। শিলোংদা ঐখোয় ইন্টরভিয়ু পীবা চৎচখি। অয়াম্বা ঐখোয় লোইনা খল্লকখি। য়াইস্কুলগী সী ঐচ শান্তি, কৈশামথোংদগী পাউফুলুঙ কবুই, খুরাইদগী ইবোচা, বামোন লৈকায়দগী ঐগ্যা মাইপাক, নিশাদগী অজিৎ, এস এস য়ুদগী কুল্লা, ত্রাউদগী ইবোচৌ, ঐহাকনে, অসামদগী অনী অমনে, শিলোং মচা অনীগা ঐখোয় ময়াম্না পুনশিল্লগা নোর্থ ইষ্টকী অরিংবা অমা শেম্লকখি।

মণিপুরগী মপান্দা লাকপদগীদি ঐহাক শিলোংগী রিপ্রজেন্ট তৌবা হৌরে। মদুদগীদি ঐহাক মীয়াম্না হেন্না শকখঙবীবা হায়বদুসু ওইরকখি। অদুবু মতমদুদা শিলোংদি ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দগী এফিলিয়েসন ফংদে। অদুনা ঐখোয় পুল্লবসি অমুক গুৱাহাটিদা লাক্লগা শান্নজরকখি।

গ্রুপ গ্রুপসি শেল্লগা সেনিয়র, জুনিয়রসি পুনশিল্লগা পংশান্দা শান্নজরকখি। অসুম্না লেপ্তুনা শান্নজরকপনা কুমজা ১৯৮১দদি ঐহাক মেঘালয়াগী কেপ্তেন ওইনা সন্তোস ত্রোফি মখা তানা শান্নবা হৌজরকখি। চহী অহুম থংননা কুমজা ১৯৮১, ৮২ অমদি ৮৩দা মেঘালয়াদগী সন্তোস ত্রোফি য়াওজরকখি।

ফুটবোল শান্নজবগী চপ চাবা নুংঙাইবা মহাওদি শিলোংদা লৈরবা মতমদা ফংজরকখি। থবক মচা অমসু তৌরবনিনা ইনীং তম্না শান্নবা হায়বদু ওইখি। অসাম মনুংদা তৌবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমত্তা ঐখোয় থারকখিদে। কোয়না চৎতুনা শান্নবা হায়বদু ওইরকখি। তশেংনমক শান্নবদা ঙাওজবা ময়াম অমা পুল্লপ পুনখিবা মতমদু পুন্সিগী খ্বাইদগী নুংঙাইজবা তাঙ্কক হায়বদুসু ওইখি। পেন্না শান্নজবসু ফংখি। শিলোংগী ইনকম টেক্স ওফিসতা ঐহাক চহী মঙা থবক তৌদুনা লৈজরম্মী।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮২

১। মহাক অতোপ্পা লৈবাক অমগী মমিংদা ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী খরগী মতুংদা মহাক্কী পোক্নফম মমা লৈবাক্তা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপদা মহাক্না ওলিম্পিক্কী মৈরা পায়দুনা গেমস হৌদোকপা নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী ত্রেক্তা লমজেল চেনখি। মহাক কনানো ?

২। অহানবা নোর্থ ইষ্ট ওলিম্পিক গেমসতা মেঘালয়াসু শরুক য়াখি। মদুদা ষ্টেট অদুগী চিফ-দি-মিসন ওইখিবা মীওইদুগী মমিং পীয়ু।

৩। ইম্ফালদা হৌখিবা চহী ১৬ অসিদা লমদম অসিগী খ্বাইদগী চাউবা লমজেল 'মেগা মরাথোন' পাঙথোকই। মরাথোন অদুদা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংসু শরুক য়াখি। মরাথোন অদুদা খ্বাইদগী অহানবা ওইনা ইন্টরনেসনল মরাথোন্দা শরুক য়ারুবা লমজেল্লোয় অদু কনানো ?



৪। "ষ্টেটশিংগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবদা মতেং ওইগনি। শান্নবগী লম্দা অপূনবা শক্তম অমা লৈনবগীদমক গেমস অসি মখা তারকপা চহীশিংদা পাঙথোকপগী মথৌ তাই।" ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা মীওই অদুগী মমিং পীয়ু।

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মণিপুরনা উত্তরখণ্ডবু রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেটকী নীনি শুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিল্লকপদা রন ৫২ মাঙজিল থাদুনা চৎলি

ধেরাদুন, নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী দোমেষ্টিক ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ওইরিবা রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপ্তা ঙসি নীনি শুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা মণিপুর টিম্না উত্তরখণ্ডবু রন ৫২ হেন্দুনা লৈরি।

মেচ অদুগী টোস উত্তরখণ্ডনা ঙমদুনা হান্না বোল্লিং তৌখিবনি। মদুদা মণিপুরগী অহানবা ইন্নিংস অদু রন ১৩৭তা লোইশিনখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী কেপ্তেন য়াসপাল অমসুং ওপনর প্রফুলোমনিনা মথংশিংনা রন ৩৮ অমসুং ৩২ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

উত্তরখণ্ডনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ২২৮ লৌবা ঙমখি। টিম অদুগী কেপ্তেন রাজট ভাটিয়ানা রন ৬১ লোয়ননা ভৈবব অমসুং কে বি কৌসন্না মথংশিংনা রন ৫৪ অমসুং ৪৫ লৌখি।

মণিপুরগী টিমনা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকপদা উত্তরখণ্ডগী রন ৯১ শোৎখিবনি। অদুবু ঙসি ওপনর লখন রাৱটকী রন ৮১ অমসুং প্রিয়োজিৎকী রন ২৩না মখা চখুদুনা রন ১৪৩ য়ৌখিবদগী রন ৫২ হেন্দুনা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমসুং এ পোনাপা মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে



হোং কোং,নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী)ঃ হোং কোংদা পাঙথোকপা য়ূ এস দোল্লর ৪০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মিক্স দবলসকী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপা অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ঙসিদগী হোং কোংগী কোলিসিয়মদা শান্নবা হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী পেয়র ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপানা অহানবা রাউন্দ অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং চি লিন অমসুং লি সিয়া সিনবু গেম ২-১দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং সি লিন অমসুং লি সিয়া সিনবু পাঙ্গল হেন্না শান্নবা ঙমদুনা পোইন্ট ২১-১৬তা থোইদুনা অহানবা রাউন্দ অদুদা গেম অমা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অনীশুবা গেম অদুদা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র অদুনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুবু পোইন্ট খুদিংমক মুন্ননবা হোৎনরকখিবা অদু মায়পাকপা ঙমদুনা পোইন্ট ২১-১৯দা থোইরগা গেম অমমম থোইনদুনা লৈখি।

অহুমশুবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপানা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র অদুবু হৌবদগী পোইন্ট লৌবা হানখিবদগী মাংজিল থাবা ঙমখি। মখোয়না পোইন্ট হেন্দুনা চৎখিবা অদু মায়োক্নবা পেয়র অদুনা তানখৎহন্দনা শান্নবা ঙন্দদগী গেম অদু পোইন্ট ২১-১৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। হোং কোং ওপন বেদমিন্ট টুর্নামেন্ট অসিদা সীদিং ফংদনা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা অহানবা রাউন্দ মায়পাকপদগী অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনিজ টাইপৈগী পেয়র লি য়াং অমসুং সু য়া চিংগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলূপ্তা মতম অমদা ৱর্ল্দ নম্বর ৬ ফাওবা য়ৌবা ঙম্লম্লবা ইন্দিয়াগী পরুপলি কশ্যপ ক্লালিফাইং রাউন্দ মায়পাক্তুনা মেন দ্রোগী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা সীদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী এন্থোনি সিনিসুকা গিন্টিংগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাংলূপ্তা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শরুক য়ারিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুদি, সাই প্রনিথ, ঐচ এস প্রনোয়, কিদম্বী শ্রিকান্ত অমসুং সমির ভর্ম্মানি। নুপীগী সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধু অমসুং সাইনা নেহৱালনি। নুপাগী দবলসতা এস রানকি রেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথি লোয়ননা মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদ্দিনি অদুগা নুপীগী দবলসতনা অশ্বনি পোনাপা অমসুং এন এস রেদ্দিনি।

প্রনিথনা অহানবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রদবকা লম্বা তৌনগনি। ঐচ এস প্রনোয়না দেনমার্ক্কী এন্দর্স এন্টন্সেনগা শান্নগদৌরি। কিদম্বী শ্রিকান্তনা হোং কোংগী ৱোং ৱিং ভিন্সেন্টকা শান্নরগা সমির ভর্ম্মনা থাইলেন্দগী এস অভিহিংসানোনগা থেংনগনি।

নুপীগী সিঙ্গলসতা পি ভি সিন্ধুনা থাইলেন্দগী এন জিন্দাপোলগা লম্বা তৌনগনি অদুগা সাইনা নেহৱালনা জপানগী অকানে য়মাগুচিগা থেংনগনি। নুপাগী দবলসতা এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা দেনমার্ক্কী পেয়র এম বোয়ে অমসুং সি মোগেন্সেনগা শান্নগনি। অমরোমদা মনু অত্রি অমসুং বি এস রেদ্দিনা থাইলেন্দগী বি ইসারা অমসুং এম জোংজিৎকা লম্বা তৌনগনি। লোয়ননা নুপীগী দবলসতা ইন্দিয়াগী অশ্বিনি পোনাপা অমসুং এন এস রেদ্দিনা জপানগী এম মাটসুমোতো অমসুং এ টাকাহাসিগা লম্বা তৌনরগনি।

### ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## পি ৱাই সী পান্টিলোং, জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম, কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনিং অমসুং সী ৱাই দি এ চীংখুলোং মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস) ঃ

জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দ থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা পি ৱাই সী পান্টিলোং, জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম, কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনিং অমসুং সী ৱাই দি এ চীংখুলোং মায় পাকখ্রে।

টিম ৩৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ২৬শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দা গ্রুপ ঈগী অরিয়ং অমসুং পি ৱাই সী পান্টিলোং শান্নখি।



মেচ অদুগী ৪শুবা মিনটতা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৬ গাইঙমথ্বাং কামৈনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। এ ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু পি ৱাই সীনা অঙনবা মতমদা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা পি ৱাই সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চথুরকখি। এ ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৯ পারমঙামাং অবোনমৈনা মেচকী ৩৫শুবা মিনটতা পি ৱাই সীগী গোল অদু হন্দোক্তুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ ৱাই সী অমসুং পি ৱাই সী গোল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী হৌনা টিম অনীগী মায়কৈদগী মেচ অদু মায় পাক্নবগীদমক এটেক কয়া চথুনরকপা উখি। মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা পি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৭ দেনমৈ জিনপুনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু পি ৱাই সীনা গোল ২-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা পি ৱাই সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু এ ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা হন্দোক্নবা হোৎনবরসু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ২৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এফকী জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম অমসুং কে ৱাই সী কৈখু শান্নখি। অদুগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা মেচ অদু গোল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা জি য়ু এফ এগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। মেচকী ৪৪শুবা মিনটতা জি য়ু এফ এগী জর্সি নম্বর ১৬ থানচুইলিন গোলমৈনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। কে ৱাই সীগী মায়কৈদগীসু জি য়ু এফ এনা মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী ৭০শুবা মিনটতা জি য়ু এফ এগী জর্সি নম্বর ৭ ক্রিসপিন কামসোন্না মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা মেচ অদু জি য়ু এফ এনা গোল ২-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিল্লকখি। কে ৱাই সীগী শান্নরোয়শিংনা জি য়ু এফ এনা গোল অনী মাঙজিল থানা চৎলবসু অকনবা এটেক কয়া চথুরক্তুনা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। মেচকী এক্সত্রা টাইমগী অনীশুবা মিনটতা কে ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ৮ থাইনলুং রোংমৈনা জি য়ু এফ এগী মাঙজিল থারিবা অহানবা গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা জি য়ু এফ এ গাইপুইনাম্না কে ৱাই সী কৈখুবু গোল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

লীগ রাউন্দগী ২৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী য়ু এন ৱাই সী উচিৱা অমসুং কে এম টি ৱাই সী কোন্থৌজম মনিং শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তুগী লোইবা ফাওবা কে এম টি ৱাই সীনা য়ু এন ৱাই সীবু লাকচনা শান্নখিবনা মেচ অদু কে এম টি ৱাই সীনা য়ু এন ৱাই সীবু গোল ৭-০দা মায়থীবা পীখি। কে এম ৱাই টি সী কোন্থৌজম মনিংগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ টিচুইলুং আর পানমৈনা মেচকী ৭শুবা, ২৩শুবা, ৪২শুবা অমসুং ৪৩শুবা মিনটতা পূন্না গোল ৪ চনখি। অদুগা জর্সি নম্বর ৮ পানমৈ গিদিওন্না মেচকী অহানবা মিনট, ২২শুবা মিনট অমসুং ৫৯শুবা মিনটতা পূন্না গোল ৩ চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ২৯শুবা মেচ ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবগী মরিশুবা অমসুং অরোইবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা গ্রুপ ঐচকী এস এস ৱাই সী সাইরেম অমসুং সী ৱাই দি এ চীংখুলোং শান্নখিবা মেচ অদু সী ৱাই দি এনা এস এস ৱাই সীবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

### ২২শুবা সেনিয়র মেন্স ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮

## আইদিএল ক্লব, লমকা হুপর, ৱাই পি ঐচ য়ু অমসুং দল্লিয়ু য়ু ৱাই সী য়ু মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচ এন এস)ঃ

মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা ব্রহ্মপুর নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা থা অসিগী ১১দগী হৌরগা ১৮ ফাওবা চথুগদৌরিবা ২২শুবা সেনিয়র মেন্স ষ্টেট বাস্কেটবোল ২০১৮গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আইদিএল ক্লব তেরা, লমকা হুপর চুড়াচান্দপুর, ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোং অমসুং দল্লিয়ু য়ু ৱাই সী য়ু অঙোম লৈকায় মায় পাকখ্রে

টিম ১০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ২ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ২২শুবা সেনিয়র মেন্স ষ্টেট বাস্কেটবোল ২০১৮গী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৬.৩০ তাবা মতমগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী আইদিএল ক্লব তেরা অমসুং সী ৱাই এল সী চীংঙামথক শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা আইদিএল ক্লবনা স্কোর ২৯ অমদি সী ৱাই এল সীনা স্কোর ২০দা লৈখি। অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা আইদিএল ক্লবনা স্কোর ৪৩ অমদি সী ৱাই সীনা স্কোর ৩৮দা লৈদুনা আইদিএল ক্লবনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।



অহুমশুবা ক্বার্টরদসু আইদিএল ক্লবনা স্কোর ৬৪ অমদি সী ৱাই এল সীনা স্কোর ৫২দা লৈদুনা আইদিএল ক্লবনা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মেচ অদুগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর লোইশিনখিবগা লোয়ননা আইদিএল ক্লব তেরানা সী ৱাই এল সী চীংঙামথকপু স্কোর ৬৪-৫২দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা মেচ ওইনা ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ বিগী ৱাই ও এস সী খুরাই কোন্সম লৈকায় অমসুং লমকা হুপর চুড়াচান্দপুর লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর হৌরকপদগী লোইবা ফাওবা লমকা হুপরনা ৱাই ও এস সীবু লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা লমকা হুপরনা স্কোর ১২-৩দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদসু লমকা হুপরনা স্কোর ২৬-১১দা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টর লোইশিনখিবগা লোয়ননা লমকা হুপরনা স্কোর ৩৩ অমদি ৱাই ও এস সীনা স্কোর ১২দা লৈদুনা মেচ অদু লমকা হুপরনা স্কোর ৩৩-১২দা মাঙজিল থাখি। মেচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টরদা লমকা হুপরগী মায়কৈদগী স্কোর অমত্তা তৌবা ঙমদ্রবসু লমকা হুপরনা ৩৩-১৬তা লৈদুনা মেচ অদু মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমগী অহুমশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এগী য়ুথ ক্লব উরিপোক অমসুং ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোং শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই পি ঐচ য়ু ললাম্বুং মখোংনা য়ুথ ক্লব উরিপোকপু স্কোর ৫৮-৩৮দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ১২শুবা মেচ অমদি ঙসিগী অরোইবা গ্রাউন্দগী নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা গ্রুপ বিগী দল্লিয়ু য়ু ৱাই সী অঙোম লৈকায় অমসুং সেন্ট এন্থোনি স্পোর্টস ক্লব লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা অরোইবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙমদনা তক্কদুনা শান্নরবসু দল্লিয়ু য়ু ৱাই সীনা সেন্ট এন্থোনি স্পোর্টস ক্লবপু স্কোর ৭৩-৬০দা মায়থীবা পীখি।

## ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

য়াঙোন,নবেম্বর ১৩ (এজেন্সী)ঃ ম্যানমরগী মখুত্তা ইন্দিয়াগী টিম পাঞ্জল ১-২দা মায়থীবা নংখ্রবসু টোকিওদা পাঙথোক্কদৌরিবা ২০২০ ওলিম্পিক গেমসকীদমক শরুক য়ানবগীদমক শান্নরিবা এসিয়া ফুটবোল কন্ফিদ্দরেসনগী ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম্না ম্যানমরগী য়াঙোন সিটিদা লৈবা থুৱুনা ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু লৈবাক অদুগা গ্রুপ 'সি'গী অরোইবা লীগ মেচ অদু লম্বা তৌনবদা ইন্দিয়াগী টিম মায়থীখিবনি। গ্রুপ অমদগী মকোক থোংবা টিম অদুগা অনীশুবা টিম অদুনা ক্বালিফাই ওইরগা খ্বায়দগী ফজবা অহুমশুবা পোজিসন তাবা গ্রুপ ৪গী মনুংদগী অনী খল্লগা অনীশুবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি।



ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমরগী মেচ অদুগী অহানবা হাফকী অঙনবা শরুক্তা য়ুম্বু টিম অদুনা পুশিল্লকপা বোল অমা ৱিন থৈঙি টুননা ফংখি। মহাক্না ইন্দিয়াগী গোল তম্না কাউশিনখিবদা বোল অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দর অমদগী খেৎলগা চঙখিদুনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

পাঞ্জল অমা শোথুরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং য়াম্না কন্না হোৎনদুনা ইক্বেলাইজর অদু ফংনবা শান্নবা হৌরকখি। শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী ষ্ট্রাইকর দাংমৈ গ্রেসনা পুশিল্লকপা বোল অমা ম্যানমরগী পেনাল্টি বোক্স মতোনদা ফাওল তৌরকপগীদমক ইন্দিয়ানা ফ্রি কিক অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী রতনবলানা য়াম্না ফজবা বোল অমা কাওশিন্দুনা ইক্বেলাইজর অদু ওইখি।

অনীশুবা হাফ য়ৌগদবা মতম খর লেমহৌবা অদুদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা পাঞ্জল অহেনবা হাপচিনবা ঙমদবদগী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদু পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। অনীশুবা হাফ অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইবা য়াবা খুদোংচাবা তাঞ্জা কয়া লৈখ্রবসু ম্যানমরগী গোলকিপরনা ফাখিবা অমদি দিফেন্দরশিংনা ঙাকথোকখিবা মরম্না অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবা লোয়গদবা মিনট ৭ খক ঙাইশিল্লক্লবদা য়ুম্বু টিম অদুগী শান্নরোয় ঙে ঙে থ্বেনা য়াম্না নেম্না মপা চুম্না কাওশিনবা সোট অমা ইন্দিয়াগী গোলকিপর অদিতিনা ঙাকথোকপা ঙমখিদবদগী ৮৩শুবা মিনটতা ম্যানমরনা ইন্দিয়াবু ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। মেচকী লেমহৌবা মতম অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অরেবা পাঙ্গল পূথোক্তুনা শান্নরকপদা ইক্বেলাইজর অদু ফংখিদবদগী ইন্দিয়া মায়থীহৌবনি।

মায়থীরবসু ইন্দিয়া গ্রুপ 'সি'দা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টকী অনীশুবা রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। ক্বালিফাইং টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দ অদু মথং চহীগী এপ্রিল থাদা শান্নগদৌরি।